
# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 50, Issue No. 311 | য়ুমশকৈশা, লমতাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, February 18, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# উখ্রুলগী জে এন ভি রমভাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা কুকি মহৈরোয় ৫১ অহিংদা সিক্যুরিটিনা ঙাক্লগা কাংপোকপীদা থিনখ্রে

## লিতানদা ফেব্রুৱারী ৮,২০২৬তগী থল্লকখিবা কর্ফিয়ু কোমথোক্ত্রি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা লিতান পুলিস ষ্টেশননা কোনবা মফম অমদা কুকি-জোগী মীওই খরদা টোর্চ লাইট কাপশিল্লুই হায়বগী ৱাহৌদা কুকি-জোশিংঅদুনা তাঙ্খুলগী মীওই অমা য়াম্না থীনা ফূরকপদগী মখা শমথরকখিবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানদা নুমীৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৭তগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থল্লমখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা ঙসিদগী কোসেমনা লৌদুনা হৌখিবা ক্লাস ত্বেলভকী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশনদা শরুক য়াগদবা অমসুং বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোক্কদবা হন্দক চহীগী ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনদা শরুক য়াগদবা নুপামচা অমসুং নুপীমচা মহৈরোয়শিং পূন্না ৫১ অহিংদা উখ্রুলদগী কাংপোকপীদা থিন্দোকখ্রে।

| অহিংদা উখ্রুলদগী কাংপোকপীদা থিনখিবা মহৈরোয়শিং | নুপামচা | নুপীমচা |
|---|---|---|
| ক্লাস-VI | ৩ | ৩ |
| ক্লাস-VII | ৩ | ৪ |
| ক্লাস-VIII | ২ | ১ |
| ক্লাস-IX | ৭ | ৩ |
| ক্লাস -X | ৮ | ১ |
| ক্লাস-XI | ৪ | ৩ |
| ক্লাস-XII | ৪ | ৫ |
| | ৩১ | ২০ |

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা

### লিতান পি এসনা কোনবা মোংকোট চেপুদা শারম্বা বক্কর ৪ থুগাইখ্রে, কাপথোকখ্রবা এম্পটি কেস ২৪ ফংলে

ফংবা পাউনা হায়বদা উখ্রুলদগী কাংপোকপীদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা পুরগা অহিংদা কাংপোকপীদা থিন্দোকখ্রিবা মহৈরোয়শিং অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রমভাদা লৈবা জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয় (জে এন ভি) রমভাগী মহৈরোয়শিংনি হায়রি।

ঈরাং অসি থোরকপদগী মহৈরোয়শিং অসি সিংসাট অমসুং সোকভাওদা লৈবা অসাম রাইফলসকী প্রোটেক্সন মখাদা লৈরক্লবা মতুং থা অসিগী ১৫গী নোংয়াই মতুংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী কাংপোকপী তান্না থিল্লুবনি হায়রি।

মহৈরোয়শিং অসিবু লিতান পুলিস ষ্টেশনগী ওফিসর ইন-চার্জনা লুচিংবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা চেকশিন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কোংগ্রেসকী ফমশিংগী চাদা ৫০দি এস সী,এস টি,ও বি সী, মাইনোরিটি অমদি নুপীশিংদা পীগনি : রুদ্র রাজু

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা লৈরিবা ফমশিংগী মনুংদা চাদা ৫০দি সেদ্যুল্ড কাষ্ট/সেদ্যুল্ড ত্রাইব, ও বি সী, মাইনোরিটি অমদি নুপীশিংদা পীগনি হায়না সিটি দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী এ আই সী সীগী ওবজার্ভর জি রুদ্র রাজুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাঊগী মীফমদা ফোঙদোল্লদুনা মহাক্না হায়, কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা পার্টি অসিনা হৌদোকখিবা 'সঙ্গথন শ্রীজান অভিয়ান'গী মনুং চন্না মণিপুরদসু মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরগনি।

অহমেদবাদতা পাঙথোকখিবা আই সী সী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। পার্টি অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা য়ুনিট অমা ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটি (দি সী সী) শিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মরু ওইবা মীওইশিংগা মীফম পাঙথোক্লুনা খন্নবা হৌরগনি। মরম অসিনা




লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা সঙ্গথন শ্রীজান অভিয়ান পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু অভিয়ান অসিগী মখাদা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

অভিয়ান অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া উন্নদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা মীওইশিং অদুগী ৱাখল্লোন লৌশিন্দুনা খন্নগনি। মণিপুরগী ওইনা সিটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২



# থবক থিরম্বা নহাশিংনা থবক পীগে হায়রক্লে : খেমচান্দ

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী নহাশিংনা থবক তান্নদুনা অমসুং থিদুনতা লাকখিবদু ঙসিদি থবক পীনবা নহা কয়া থোরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লৈঙাক্কী প্লান্নিং লোয়শঙনা মিনিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ আইটিগী মখাদা এ আই সী-এস এম য়ু টি বি আইগী মীৎয়েং মখাদা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপ অমদি ইনোভেশন সপোর্টকা লোয়ননা প্রমোট তৌনবা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পরিএল হোলদা পাঙথোকখিবা দিজি-সপনে ২.০ (ষ্টার্টঅপ এসিলরেশন প্রোগ্রাম ফোর নোর্থ-ইষ্ট) হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতমসিদা লৈঙাক্কী থবক খুদিংমক পীবা ঙম্বা নত্তে অদুবু ষ্টার্টঅপ অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুওর টিমশিংনা মীওই কয়াদা থবক পীদুনা লৈঙাক্কী মতেং পাংলি। মণিপুর ষ্টার্টঅপনা নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# সিক্যুরিটিনা চয়োম শানা য়োম্লিবা থাঙ্গাল কৈথেলদা বোম পোকখায়হল্লম্লে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সিটি পুলিস ষ্টেশনগী য়েন্নখা ওইবদা নত্তনা ইম্ফাল সিটিগী খ্বাইদগী মী চিনবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনা কোনশিনবা মফম ওইবদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চয়োম শানা য়োমশিন্দুনা ঙাক শেল্লক্লিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী গল্লি অমগী মনুংদা লৈবা হোটেল অমদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা অমাঙ-অতা চাউনা থোকহল্লম্লে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২